# ঙাগী ঙাথোক হেনগৎনবা লৌখৎকদবা চেকশিন থৌরাং খরা

ডো: য়ূম্নাম বেদজিৎ

ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহন্নবগীদমক পায়খৎপীগদবা চেকশিন থৌরাং খরা থমজগে।

১) ঙা য়োক্কদৌরিবা মফম খনবা হায়বদি ঙা য়োক্কদৌরিবা মফম অদু ফোলি ওইবা লৈবাক অমদি লৈহাও লৈবা মফম ওইগদবনি। চহী চূপ্পা ঈশিং ফংবা মফম অমদি মিটর অনীদগী হেন্না লুদবা পূখ্রি ওইগদবনি।

২) পূখ্রি শেন্বা :- (ক) পূখ্রিশিংদুগী অকোয়বদা লৈপল থোনগৎতুনা শেন্বীগদবনি। হায়বদি পূখ্রিশিং অদু অকোয়বগী লৈমায়দগী ৱাংখৎহন্দুনা শেমগদবনি।

(খ) পূখ্রি মনুংদা ফত্ত-হৌদিগী মরোল থানা লৈহল্লোইদবনি।

(গ) পূখ্রি অদু নুংশা নিংথিনা ফংহনগদবনি।

(ঘ) ঈশিংদা হৌবা নাপীশিং শেংদোকপীগদবনি।

(ঙ) হান্না লৈরম্বা ঙাশিং খুদম ওইনা হায়রবদা ঙামু, পোরোমগুম্বা ঙাশিং লৈহল্লোইদবনি। মসিগীদমক ঈশিং কংহনবা নৎত্রগা ব্লিচিং পাওদর কিলোগ্রাম ৩৫০ পরি অমদা শীজিন্নবা য়াই।

(চ) করিগুম্বা পূখ্রিশিং অদু কংহনবগী খুদোংচাবা লৈরবদি নুমিৎ ৭নিদগী ১০নি ফাওবা কংহন্দুনা থম্বীরবদি অসুক্কী মতিক কান্নগনি। পূখ্রিগী লৈমায় অদু লৈক্রক চৎপা ফাওবা কংহনগদবনি। হায়বদি ঐখোয়না পূখ্রিগী লৈমায়দা নেৎপা মতমদা খোঙপাক্কী মমি কুৎথদবা ফাওবা কংহনগদবনি।

(ছ) মসিগী মথংদা পূখ্রিগী লৈমায় অদু খোইদোকপীদুনা হু চেনবা নুংশিৎশিং পাইথোকহনখিবগা লোয়নননা লৈহাও লৈবা মফম অমা ওইহনবীগদবনি।

৩) শুনু চাইবা - চহী অমদা শুনু কিলোগ্রাম ২০০দগী ৫০০ ফাওবা পরি অমদা চাইবীগদবনি। শুনুগী মখল কয়া লৈরি অদুবু পূখ্রি শেন্বা মতম হায়বদি ঙা থাদদ্রিঙৈদগী ক্বিক লাইম হায়রিবা শুনু মখল অসি শীজিন্নবনা হেন্না ফৈ অদুবু ঙা থাদরবা মতমদদি এগ্রিকলচরেল লাইম হায়রিবা শুনু মখল নৎত্রগা Dolomite La Mg ($CO_3$) মখলশিং অসি শীজিন্নবনা হেন্না ফৈ। মথক্তা পঞ্জখ্রিবা শুনুগী চাং অসিদি ক্বিক লাইমগীনি, অকোনবগী শুনু মখলশিং অসি শীজিন্নবা তারবদি কিলোগ্রাম ১০০০-২০০০ ওইগদবনি।

৪) হার চাইবা - ক) শুনু চাইরবা মতুং নুমিৎ ৭নিদগী ৮নি লৈরগা হার চাইবগী থবক তৌবা য়ারে।

খ) মতম খরা খরা কান্নরগা পূন্না পরিগী চাংদা ষন্থি কিলোগ্রাম ১০,০০০-১৫,০০০, য়ুরিয়া কিলোগ্রাম ২৫০, সিঙ্গল সুপর ফোসফেট কিলোগ্রাম ৩৫০ চহী অমদা হাপ্পীগদবনি।

গ) মথক্তা পঞ্জখ্রিবা অপূনবা হারগী শরুক মরি থোকপগী অমদি ঙা থাদদ্রিঙৈদা হাপ্পীগদবনি অদুগা লেমহৌরিবা হারশিং অদু চয়োল অমা নৎত্রগা অনী-অনী কান্ননা চাং মান্ননা হাপ্পীগদবনি।

৫) ঙা মচা পূখ্রিদা থাদবা - ঙা মচাশিং থাদদ্রিঙৈদা পূখ্রি অদুগী ঈশিংশিং অফ-ফত্ত য়েংহৌগদবনি। মসি য়েংনবগী অরাইবা থৌওংদি পাত্র অমদা পূখ্রিদুদগী ঈশিং খরা হাপ্লগা ঙা মচা খরা পুং ২৪ চূপ্পা থমগদবনি, মদুদা ঙানা মশা ফনা হিংবা ঙম্লবদি পূখ্রিদুদা ঙা মচাশিং থাদবা য়ারে।

- ঙা থাদবা মতমদি অয়ূক নৎত্রগা নুমিদাংৱাইরম ওইগদবনি। নুংশা শাবা, অকনবা নুংশিৎ শিৎপা মতমদা থাদরোইদবনি।

- ঙা থাদদ্রিঙৈদা ঙা মচা পুরিবা পাত্র/চেরং খাও অদুগী ঈশিংগা ঙা থাদগদৌরিবা পূখ্রি অদুগী ঈশিংগা অঙৈং-অশাগী চাং মান্ননবা ঙা মচা পুরিবা পাত্র অদু পূখ্রিদুদা মিনট ১০-২০ তাওহন্দুনা থম্বীগদবনি।

৬) ঙাগী মচিঞ্জাক থাবা :- পূখ্রি অদুদা লৈরিবা অপূনবা ঙাগী অরূম্বগী চাদা অহুম নোংমগী মচিঞ্জাক ওইনা পীজগদবনি।

৭) ফিশ দেমপ্লিং :- থা খুদিংগী চাং নাইনা ঈল খোন্দুনা ঙাশিং অসি করম্বা ফীভমদা লৈরিবগে হায়বদু য়েংদবনি। খুদম ওইনা হায়রবদা ঙাশিং অদুদা করি করি লায়না-তীলনা য়াওরকপগে অমদি চাওফম থোকপা চাংদা চাওরিব্রা হায়দুনা য়েংশিনবীগদবনি।

৮) ঙা ফাবা - খুদোংচাবগী মতুংইন্না ঙাশিং অদু থা ১০দগী চহী ১ ফাওবগী মনুংদা ফাবা য়াই। চাং নাইনা অচৌবা ঙাশিং ফাদোক্তুনা অতৈ অপীকপা ঙাশিংদু চাওখৎহন্নবগী মফম ফংহনগদবনি।

লমদম অসিদা মরু ওইনা য়োক্করিবা ঙা মখলশিং অসি মরু ওইনা কার্পস হায়বদি রৌ, মৃগল, কটলা (আই এম সী) অমদি সিলভর কার্প, নাপী চাবী অমদি পুকলাওবী (Exotic carps) মখলশিং অসিনি অদুবু হৌজিক্তি তুংহনবী, উকাবীগুম্বা কয়াসু ফজনা য়োক্লরে।

রৌ, কটলা, মৃগল অসি ইন্দিয়াদা হান্নদগী লৈজরক্লবা ঙা মখলশিংনি। তৌইগুম্বসুং মখোয়শিং অসিদি অঙৈংবা মফমদা লৈবা হৈনদবা মরম্না লমদম অসিদা য়োকপা মতমদা চাওজল থীবা অমদি লায়না-তীলনা কয়া নারকপগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নৈ। তৌইগুম্বসুং exotic carps হায়বদি নাপী চাবী, সিলভর কার্প অমদি পুকলাওবী হায়রিবা ঙাশিং অসিদি অঙৈংবা মফমদা হৈনবা অমদি লায়না-তীলনা কয়াদগী ঙাকথোকচবা ঙম্বগী মতিক-ময়াই খরমখৈ য়াওবা মরম্না মখোয়শিং অসি য়োকপনা খরমখৈদি ফগনি। অদুবু পুকলাওবী অসি লমদম অসিদা পুশিল্লকখিবা ঙা খরা খক্তদগী অসুম অসুম শন্দোরকখিবা ওইবনা ইনব্রিদিং দিপ্রেসনননা মরম ওইদুনা চাওজল থীবগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি। মরম অদুনা অফবা মখলগী পুকলাওবী হায়বদি অমুর কার্প ওইনা য়োকপীবা, অতোপ্পা ঙাশিং হায়রগনা Jayanti Rohu, GIFT Tilapia অসিনচিংবা ঙা মখলশিং অসি য়োকপীরবদি ঙাগী পোত্থোক খরমখৈদি হেনগৎপা ঙমগনি। তুংহনবী হায়রিবা ঙা মখল অসিসু মরূম য়াম্না তোয়না কোকপা ঙা মখল অমা ওইবা মরম্না মশা চাওখৎপদা চংগদৌবা ইনর্জিশিং অদু মরূম কোকপদা শীজিন্নথোকখিবনা মরম ওইদুনা চাওজল থীগনি। মরম অদুনা sterile ওইবা নৎত্রগা monobex ওইনা য়োকপনা হেন্না কান্নগনি। তুংহনবী অসি অমোমদগীসু লাবনা হেন্না চাওগনবা মরম্না লাবা ঙাক্তা য়োকপনসু অমুক্কা হেন্না কান্নগনি। কটলাগী ওইরগনা G. I. Catla হায়বদি Genetically Improved Catla অসি ওইনা য়োকপীবনা হেন্না কান্নগনি।

অনৌবা মখলগী ঙা য়োকপগী থৌওংশিং হায়রগদি (1) Recirculatory Aquaculture System ময়াম্না আর এ এস হায়রগা খঙনবা অসি fully controlled ওইবা থৌওং অমনি। মসি অপীকপা মফম অমদা ঙা মশীং য়াম্না য়োক্তুনা ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহনবদা অসুক্কী মতিক কান্নগনি।

অতোপ্পা থৌওংশিং হায়রগদি - Aquaponics, Hydroponics অমদি হৌজিক য়াম্না তৌনরক্লিবা বাইওফ্লোক টেক্নোলোজিনচিংবা থৌওংশিং অসিদি মফম মতমগী মতুংইন্না কান্নবা অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে অদুবু ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহনবদদি অচৌবা থৌদাং লৌবা ঙম্লোই।

পনবা য়াবা টেক্নোলোজি খরা অমুক হায়রবদা কেজ কলচর, পেন কলচরনচিংবা থৌওংশিং অসিসু ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহনবদা থৌদাং খরদি লৌবা ঙমগনি।

মসিদসু নত্তনা species diversification হায়বদি লমদম অসিদা চানবা পোত্থোক লৈবা ঙা মখলশিং য়োক্লবসু লমদম অসিগী ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহনবা ঙমগনি। ●

# ফৌনা কোনশিনবী তীল - লিফ ফোলদর

ডা. ৱাইখোম জিতেন

মণিপুরগী ফৌ থানরিবা অয়াম্বা লৌফমশিংদা তোয়না তাগনবা তীলশিংগী মনুংদা ফৌনা কোনশিনবী তীল (লিফ ফোলদর) সু অমনি। তীল মখল অসিগী অশেংবা মমিংদি Cnaphalocrocis medinalis কৌই। তীল মখল অসিগী মতু চোমদবা তীলখাক্লা ফৌনাগী অশংবা মনাগী শরুকশিং চাথোকখিদুনা ফৌনা অদু চে মান্না ঙৌরোক ঙৌনা লৈহৌই।

ফৌনা মশামক্কী মতাই থংবা শরুক অদু কোনশিল্লগা ফাজিন্দুনা উতোং মান্না শেল্লবা মতুংদা উতোং অদুগী মনুংদা তীল মখল অসিগী তীলখাক্লা ফৌনাগী অশংবা শরুকশিং শাংনা-শাংনা চাথোকখিদুনা চে মানবা অপাবা কুরাংবানশিং থল্লম্মী। অসুম্না তীল অসিনা উতোং মনুংদা হোরাই মকুপ মানবা তীলথিশিং থল্লম্লগা মপি ওইরক্লবগীদমক মপান থোকখ্রগা লোৎতুনা লৈখি।

তীল অসিনা তোয়না তাগনবা লৌফমশিং :-

(ক) কা হেন্না খূৎশেমগী হার য়াম্না চাইবা লৌফমশিং।

(খ) ঈশিং ঈনিল য়াম্না ৱাংবগা লোয়নননা উরুম ওইনা তৌবা নৎত্রগা য়াম্না নাহৌনবা লৌফমশিং।

(গ) লৌফম অমদি লৌফমগী অকোয়বা মফমশিংদা উরিচাক ফৌমানবী হুপ্পচিংবা মখলগী নাপী য়াম্না হৌবা লৌফমশিং।

(ঘ) চহী অমগী মনুংদা ফৌ অনীরক্তগী তাদনা থাবা লৌফমশিং।

(ঙ) তীল হীদাক মখল মথেল তোয়না শীজিন্নবা লৌফমশিং।

(চ) তীল মখল অসি ফৌ থাবা লৌফম অয়াম্বদা তাজরবসু নোংজু মতমগী ফৌদনা হেন্না তোয়না তাগল্লি।

তীল অসি তাবগী লায়ওং:- (ক) তীল মখল অসিগী কুরাক মপিশিং অদু হঙ্গাম মপাল/সনা মচুদা ৱাওথাংনবা মচু ওইবগা লোয়নননা তোংবা মতমদা মসা ফন্দোক্তুনা তোংগনি। তীল মপী অদু চাওরাক্লা সেন্টিমিটর ১ মুক হায়বদি ইঞ্চি তঙ্খায়গী ময়াদা শাংগনি অদুগা মশাগী অশাংবনা চাওরাক্লা সেন্টিমিটর ১.৫-২ হায়বদি ইঞ্চি তঙ্খায় খরা হেনবগা লোয়নননা মশাদা অমুবা মচুগী ঈথক নাইবা ময়ি ২-৩ লৈগনি। অসিগুম্বা তীল মপীশিং লৌফমদা য়াম্না লৈরক্লবদি তীল অসি শোয়দনা তারক্লগনি হায়বগী চেকশিনবীবা য়ারে।

(খ) ফৌনাদা শাংনা শাংনা অশংবা মচু চাথোকখিদুনা চে মচু ওইদুনা লৈবা উবিরবদি তীল অসি লৈরে।

(গ) ফৌদোনশিং ফৌখোকলোমদা ফাজিন্দুনা লৈবা উবীগনি। ফৌনাগী মতাই থংবা শরুক অনী অদু ফাজিন্দুনা উতোং মান্না লৈবা থেংনবীগনি।

(ঘ) তীল য়াম্না তাবা লৌফমদি ফৌনাগী অশংবা শরুক অয়াম্বা চাথোকখিবনা মরম ওইদুনা লাপ্পা য়েংবদা লৌফম অদু ঙৌনা উবগা লোয়নননা মনাশিং কোনশিন্দুনা লৈবা থেংনবীগনি।

করম্বা মতমদা হীদাক শীজিন্নবীগনি :-

ফৌনা নৌরিঙৈ মতমদা তীল অসিনা তারকপগা হেক্তা হীদাক কাপ্পীরোই। মরমদি তীল অসিনা নৌরিঙৈ মতমদা শোকখিবদি ঈশিং অমদি হার মরাং কায়না পীবা মতমদা থোইদোক্লা চাথোক হন্থহন্দনা লোকপা য়াগনি। করিগুম্বা ফৌ পান্বীগী থিনগৎলকপা কুইদ্রিবা মপূং ফানা ফন্দোক্লবা মনা (ফ্লেগ লিফ) অমসুং থংনবা অনৌবা মনা অনী য়াওনা লৌফম অদুদা লৈরিবা অপূনবা ফৌ পান্বী শরুক তঙ্খায় অমা তীলনা শোকহল্লবদি হীদাক কাপ্পীবা য়ারে। অদুগা তীল অসি ফৌনা মমি তল্লকপদগী ফৌনা মখোম হানবা মতম ফাওবগী মনুংদা তীল তারবদি ঙাকথোক্লবা পান্বৈশিং থিবীগনি। ফৌনা নৌরিঙৈ মতম তীল মখল অসিগীদমক হীদাক মখল মথেল য়াম্না কাপ্পনা ফৌ লোক্লমদাই মতমদা ফৌগী ৱাহিক (হোপ্পর) লাকহন্নবগী মরম ওইবা য়াই।

তীল অসিগী পুন্সি খোঙচৎ :- তীল মখল অসি য়েরূম মওং মানবা ঙৌরুনবা মচুগী অপীকপা মরূমশিং অমমমতা/অনী-অনী ওইনা ফৌনাশিংদা চাইথোক্তুনা কোকই। অসিগুম্বা মরূমশিং অসিনা নুমিৎ ৩-৪গী মনুংদা ঙৌরুনবা নৎত্রগা হঙ্গাম মচু ওইরপ তৌবা তীল মচাশিং ওল্লকই অমদি ফৌনাশিংগী অশংবা মচুশিং শাংনা-শাংনা চাথোকই। তীল মচাশিং অসিনা মপূং ফারকপগা লোয়নননা তীলশিং অদু অশংবা মচু ওইরকই অমদি সেন্টিমিটর ২-২.৫ হায়বদি ইঞ্চি অমুক শাংই। মরূমদগী ওল্লবা তীলশিং অসি নুমিৎ ১৫-২৫গী মতুংদা কুরাক ওন্নবগীদমক মহুম হাইদুনা নুমিৎ ৬-৮নি মুক লৈ অমদি কুরাক ওল্লগা মরূম অমুক কোকই। মরূম কোকপদগী মথংগী অমুক মরূম কোকপা য়াবগী মতম অসি চাওরাক্লা নুমিৎ ২৫-৩৫নিমুক ওই। তীল অসিগী মপীশিং অসি নুমিদাং চাকতাবা তীল ওইবনা নুংথিলগী মতমদা ফৌনা মখা/মরূমদা লোৎতুনা লৈ।

ঙাকথোক্লবগী পান্বৈশিং :- (ক) ফৌগী হেক মতুংদা ফৌ থাদুনা চহী অমগী মনুংদা ফৌ হঞ্জিন থাবীবগী মহুত্তা ফৌগী মতুংদা অতোপ্পা মহৈ মরোং থাবীগদবনি নৎত্রগা ফৌ লোইরবা মতুং মতম খরা পোৎ থাদনা থম্বীগদবনি।

(খ) ফৌ খোকমন খাকপগী থবক তৌবীরোইদবনি।

(গ) য়ারবদি ফৌ লোকখিবগা লৌফমদু ঈশিং থাজিন্দুনা খোইদোকপীগদবনি।

(ঘ) লৌফম অমসুং অকোয়বদা হৌবা উরিচাক ফৌমানবী অমদি হুপনচিংবা মখলগী নাপীশিং লৈহনবীরোইদবনি।

(ঙ) ফৌ কা হেন্না কুংনা থাবীরোইদবনি।

(চ) হার মখল শুনা, চাং চানা, মওং অমদি মতম চানা চাইবীগদবনি।

(ছ) তীল মখল অসিগী মশীং হন্থহনবা ঙম্বা জীবশিং খুদম ওইনা মিরাং, তীল মখলসিবু চাবা খোইশিং/তীল, হঙোই অমদি শামু চরাংগুম্বা লৈহনবীগনি। Trichoderma Japonicum কৌবা কোকফাই মখল অমনসু তীল অসিগী মশীং চাদা ১২-৬০ ফাওবগী চাংদা মশীং হন্থহনবা ঙমই।

(জ) নুমিদাংগী মতমদা তীল মপীশিং মৈ থানবীদুনা পাইশিনহন্নবা উপু অমা শেন্বীরবা অদুগা অসিগুম্বা তীলশিং অদু মখাদা তাখিবা য়ানবা মখুল ফাৎলবা মতুংদা মখাদা ঈশিং হাপ্পা পাত্র অমা য়ানবীদুনা থল্লবদি তীল মপীশিং ফাদোকখিদুনা তীল তাবগী চাং হন্থহনবা ঙমগনি। মসি নৎত্রগনা T মওংদা শেল্লবা চৈশিং লৌফমদা ৱাংবা মান্নদনা য়ুংবীদুনা তীলশিং উচেক্লা ফাদোকহন্নবা তৌবীরবসু তীল মশীং হন্থহন্দুনা হীদাক শীজিন্নদবা য়াগনি।

মথক্কী থৌওংশিং অসিনা তীল মখল অসি লাকশিনবা ঙমদ্রবদি খূৎশেমগী তীল হীদাকশিং খুদম ওইনা Lamda cyhalothrin 5% (Karet/Quit) নৎত্রগা Fipronil 5% SC (Regent/Result) কাপ্পীবা য়াই। Lamda Cyhalothrin 5% অসি ঈশিং লিটর ১৫দা হীদাক মিলিলিটর ১৫গী চাংদা য়ানবীরগা পম্প ৬তগী তাদনা লৌ শঙম অমদা কাপ্পীগনি। অদুগা Fipronil 5% ওইরবদি ঈশিং লিটর ১৫দা হীদাক মিলিলিটর ২৫ হাপ্পীরগা লৌ শঙম অমদা পম্প ৬ কাপ্পীগনি।

মতৌ অসুম্না তীল মশক মুন্না খঙবীরগা হীদাক মখল চুম্না অমদি কাঙলোন চুম্না কাপ্পীনবা হোৎনবা ফৈ। অদুগা হীদাক কাপত্রিঙৈদা তারিবা চাং অদু য়েংবীরগা তৌবা য়াবা অতোপ্পা পান্বৈ থিবীদুনা য়ারিবমখৈ হীদাক য়াম্না কাপ্পীদনবা হোৎনবা ফৈ। ●

# প্রলোইগী মৈরিগুম ওন্থোরকপসু য়ারিবনি

**(মৌ অনৌবীদা : - কোৎকী/কৈগী ফৌয়ামসি নখূত্তনা শুরগা লোইগদৌরিবনি হায়রুবদৈ মৌদু পাখৎতুনা মপাম চৎলুই, অপোকপা পন্থৌনা থেম নৌদুনা অমুক থিল্লকই হায়নবদু নীংশিংলকই)**

সৌবাম বিরধজ

৩৩ এ দিদা নোংদা লাইরেন পাখঙবা (অরিবা লোন্দা) নোংতা লাইলেন পাখংপা/(মৈতৈ) গী চাদা-নাওদা, চারোল-শুরোলশিংনা মথং মথং লেপ্তুনা পাল্লক্লিবনি। মমাঙঙৈদা মণিপুর অসি তিলি কোকতোন/পোইরৈ লম/সনা লৈবাক/মৈত্রবাক/মণিপুর হায়না হৌজিক কৌনরিবসিনি। মসিগী কোনুংনা কংলা/য়ূম্ফাল/ইম্ফাল হায়না হৌজিক কৌনরিবসিনি। ঐখোয়গী য়েক-সলাই পূম্নমক নোংদা লাইরেন পাখঙবগী চাদা নাউদা ঙাক্তনি। মহাক্কী মমাঙ-মমাঙথক্তা নিংথৌ কয়া কয়ানা পানখি। নোংদা লাইরেন পাখঙবগী অপোকপা পন্থৌ অমসুং অপোকপী পলেমগী মিংলেন্দি সলাইলেন শিদবা কৌবনি, লৈমরেল শিদবীনা অপোকপীগী মিংলেন ওইরিবনি। মৈতৈগী সলাই তরেৎ হায়রিবসি ইনিংথৌ অসিগী তুংদগী খঙনরক্লবা চাদা নাওদানি।

ঐখোয়গী ইনিংথৌ কিয়াম্বা (১৪৬৭-১৫০৮) পাল্লিঙৈ মতমদা ১৪৭৫দা 'কবো ভেল্লি' অসি মতমদুগী (বর্ম্মা) দগী লান্দাদুনা খুদুম চনশিল্লম্মী। চহী খরগী তুংদা অমুক বর্ম্মানা হন্দোকখি। অসুম্না হৌখিবা লান কয়া কয়াশিংদা থৌনা য়াম্না ফরকখিবা ঐখোয়গী নিংথৌশিংগা ইতৎ তত্তনা মায়কৈ খুদিংদা লাম্থেংনরকখিবগী পুৱারী লৈরক্লবনি। বৃটিশশিংনা মণিপুর/ভারত/বর্ম্মানচিংবা পূম্নমক মখোয়গী খুবামনুংদা লৈরিঙৈ মতমদা, বর্ম্মা লৈঙাক্লা মণিপুরগী নিংথৌ মথং মথংদা মতমদুদা চহীদা লুপা ৬,২৭০ ফাওবা কারম্বগী রেকোর্দ বৃটিশশিংনা ইশিলহৌবদগী থেংনৈ। কবো ভেল্লিসি অমুক হন্দোক অমুক লৌশিন তৌনদুনা মতম কুইনা লৈরক্লবনি। মণিপুরনা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা তিল্লবা মতুং নেহরুগী থৌরাংনা মণিপুরগী মীয়ামগী অয়াবা য়াওদনা (তান্নরমদনা) কবো ভেল্লিবু বর্ম্মা (হৌজিক্কী ম্যান্মার) দা ১৩/০১/১৯৫৪দা পীথোকখিবনি। মতমদুদগী মীতৈশিংনা কবো ভেল্লি অমুক হন্না হঞ্জিন্নবা লালহৌ তৌদুনা লাকখিবনি। ঙসিগী তেল্লবা কলমসিদা নৈনজররোই।

হৌখিবা চহীসিগী ২০/০৪/২০২৩দা হায় কোর্টকী জজ অমনা মৈতৈশিং সেদ্যুল্ড ত্রাইব লিষ্টতা চনগদৌবনি হায়না রায় তারুবদগী (মৈতৈশিংনা চীংগী লমদা লম লৈবা য়ারগনি) খন্দুনা 'কম নাও লেট অজ রিজন টুগেদর' হায়বা বেন্নরগী মখাদা ত্রাইবেল সোলিদরিটি রেল্লি অমা চৎলিঙৈ মরক্তা চুড়াচান্দপুর, কাংপোকপী অমসুং মোরেদা হৌখিবা মে ৩, ২০২৩দগী তম্পাক্কী লমদম তোর্ব্বুংদা নুংথিল পুং ৩ লোম তাবদগী মৈহৌ লাংপোক থোক্লকখিবনি। মণিপুরী য়েলহৌমী নত্তবশিং (এক্সত্রিমিষ্ট) গা পুনশিন্নদুনা অঙকপা ফংলবা লমখৈ মুন্ননবগী লান্দা চত্থরকপা থা ৩ হেন্না লেপ্তুনা চত্থরক্লিবনি। মালেমগী লৈবাকশিংনা শীংথানরিবা ইন্দিয়াগী লাম্মীনা হৌজিক ফাওবা লাকশিন্দ্রিবসি নুংদা করি লৈরিবগে খনবদা খনফম খঙনদ্রিবনি। মরকসিদা মণিপুর এসেমব্লি ফম্ননবা থৌরাং তৌরিবসিদা (কোকোমিনা অকক্লবা নুমিৎ পন্দুনা কৌবা মরম্না), নাগা এম এল এশিং য়াওদনবা খঙহনখ্রিবসিসু অফবা খুদম নত্তে, লোয়ননা কুকিশিংনা নাগাশিংগা পুনশিন্নবা মনুংদা হোৎনবগী পাউসু লৈরিবনি।

হৌখিবা নুমিৎ খরনিদগী (এন আই এ) নেসনল ইন্টলিজেন্স এজেন্সীনা কূপ্পা থিগৎপদগী ইন্দিয়া লৈঙাক্তা মরু ওইবা অকূপ্পা ঈপাউ পীরদুনা প্রাইম মিনিষ্টরগী মমিৎ-মমায় পাংহন্দুনা (নেসনল সিক্যুরিটি এজেন্সীনা, ইন্দিয়াগী ঙমখৈদা শীংনরিবশিংগী মনুংদা) 'সু' চৎনরিবা কুকি মিলিটেন্টশিং য়াওই হায়না খঙহনখ্রে হায়না লমদমসিদা ফোঙবা পাউচে অমগী (০১/০৮/২০২৩) দা মরীক চুম্না পল্লি। হৌজিক চত্থরিবা ইন্দিয়াগী ওপোজিসনদা লৈরিবশিংনা পুনশিন্নবা 'ইন্দিয়া' হায়না খঙনরবা অপূনবা পার্টি অসিনা মণিপুরগী মরমদা খন্ননবা প্রাইম মিনিষ্টরবু পার্লিয়ামেন্টতা লাক্কদৌবনি লোয়ননা নো কনফিদেন্সসু থাঙ্গৎতুনা মায়োক্নরিবনি। অসিগুম্বা তানফমসিদা এন আই এনা পীরক্লিবা রিপোর্ট অসিমক্তি মফম মতম য়াম্না চারবনি। মৈতৈ কম্যুনিতিগীদমক মহৌশা লাইরেম্বীনা অচুম্বা বিচার তৌরক্লবনি খনবমক য়ারবনি। কোক্তা ফৌ শংবাই অমা থোনগৎলু য়াহৌদ্রগা পোৎ অমা থোনগৎলগা য়ারে য়ারে হায়নবদু হেক থোক্লে। 'লিননা মখুল চঙলমদাইদা চুম্মী হায়বদু য়েংমিন্নসি। য়াম্না লুরিবদি 'কুকি-জো মিলিটেন্টশিংনা উশিৎ-থৌওইদনা তোর্ব্বুং বাংলাদা লৈখিদ্রবশিংগী লৈরোল চন্নবা হোৎনরকপা য়ারোই' হায়না মৈতৈশিংনা হায়রি অদুগা মখোয়না নমদুনা চন্নবা হোৎনরিবসিনি। মসিমক্তি 'চাক্লুক মমাঙদা খুজাই হেক্তা থাংজিল্লকই' হায়না হায়নবদুনি। ফম্বা চল্লম্বদৈ হিপ্পা চল্লে, অদুদগী পুরা হিপথরক্কে, অদুদগী অমুক করি থোক্লগদৌবা? 'নোং-ও চুথরো চুথরক্লো, লাংজিং মতোন থুমখরো! হাওরৈবীগী লৈকোন্দা লশীং পোলাং ফৌহৌবনি, হুইনা য়েন্না শোক্কনি' হায়নবদু থোক্লসনু।

ওগষ্ট ৮, ২০২৩দা ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টতা প্রাইম মিনিষ্টরনা মণিপুরগী মরমদা ষ্টেটমেন্ট অমা শোয়দনা পীরগনি, লোয়ননা নো কনফিদেন্স মোসনসু থেংনরগনি। রুল্লিং ওইরিবা অমসুং এম পি মশীং য়াম্না হেল্লিবনিনা প্রাইম মিনিষ্টর শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়বসু খঙনৈ, অদুবু কন্দিসননা মোদিবু ষ্টেটমেন্ট পীহন্নবা হোৎনরিবা অপূনবা ইন্দিয়া পার্টিনা পার্লিয়ামেন্টতা মতম শাংনা মণিপুরগী মরমদা খন্ননবা হোৎনদুনা ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টতা মোদিবু 'ৱা' ঙাঙহনগদৌরিবা অসিবুদি হায়নীংঙাই লৈতনা থাগৎচরি। ইন্দিয়াগী ওপোজিসন পার্টি ময়াম্না পুনশিল্লগা শেল্লিবা 'ইন্দিয়া পার্টি' না অওনবা ইন্দিয়া অমা পুরকপা ওইরসনু। অদুগুল্লবা পার্লিয়ামেন্ট ফল্লিঙৈগী মনুংদা মণিপুরগী এসেমব্লি ফমহৌদুনা হৌজিক্কী মণিপুরগী মরমদা খন্নবগী ৱারেপশিং লৌহৌদুনা, ৱারেপ অদুমক পার্লিয়ামেন্টতা খন্ননবা মণিপুর লৈঙাক্লা থাহৌগদৌবদু ওৎলৈ পালৈ তৌদুনা এসেমব্লি ফমদদুনা লৈরেদনা। মসিগী ফল পূম্নমক মীয়াম্না মতম চানা পীরকখিগনি, ভোট মতমদা লুপা লিশীং খরদা ইশাগী হক য়োন্থোক্লগুমসি, ঐখোয় য়াম্না শিংলসি। পোলিটিক্স তৌবশিংনা ঐখোয় পূম্নমক হুমদুনা পুহল্লগুমসি, য়াম্না শাথীনা শোল্লবা মণিপুর লৈঙাক অমসুং মঙক য়াম্না কল্লবা কুকি এক্সত্রিমিষ্টশিংদা মীয়াম্না অনৌবা পাড়া অমা তম্বীরসি। সুপ্রিম কোর্টনা রাহুল গান্ধীবু হিংগৎহনখ্রে, এম পি ওইনা পার্লিয়ামেন্টতা নৌহৌননা চঙলক্লগনি, প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগা অকনবা দিবেট তৌনরগনি ঐখোয় পূম্নমক্না য়েংমিন্নরসি। ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টকী মীফম লাক্লিবা ওগষ্ট ১২দা লোইগদৌরিবনি। তোর্ব্বুংদা কুকি মারটর্সশিংগী লৈরোল চনগনি হায়রিবসি অফবা ওইরোই। তুং কোইনগী ওইনা শান্তি ওইনা লৈখিদ্রবশিংগী থৱায়শিংদা 'ইকায়খুম্নবগী লৈ' খুজোক খুজোক্কা লোয়ননা ধর্ম্মগী লাইশোন তিনশোন তৌদুনা মীয়াম্না কৎনগদৌবদু চয়েৎনবা মফমদা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিনা তুংগী মীৎয়েংদা য়েংলগা হেন্না মফম চাবদা পাঙথোক্লবা লেপহৌনবা ফৈ।

তোর্ব্বুং বাংলাগী মীয়াম্না মশা মশাগী ময়ূমদা হনজিন্দুনা লৈননবা ৱারেপ লৌখ্রে হায়না পাউচেশিংদা থেংনখ্রে। মণিপুর লৈঙাক্লা তোর্ব্বুং বাংলাগী ৱারেপ অসি তরাই তরাইনা লৌবা য়াররোই। মশা মশাগী পাট্রা পায়দুনা লৈরিবা য়েলহৌঙৈ লমদম্বু খূৎলায়গী মপান্না নমদুনা মুনবা য়াবরা/ওইথোক্কদ্রা? খক ওইথোক্লোই, মথক মখা ওল্লক্কনি (মতম খরা চংবা য়াই মদুনা মতম পূম্বগী ওইবদি য়ারোই/এরিয়া দোমিনেসনগুম খনগনু, মঙলান কায়দুনা তোক্কনি)। মতাংসি মণিপুর লৈঙাক্লা য়াম্না থুনমক অচেৎপা ফিরেপ লৌদ্রবদি মীয়াম পূম্নমক্লা এম এল এ/মিনিষ্টর পূম্নমক্কী মথক্তা লানগী মমায় চুম্লক্তুনা প্রলোইগী মৈরিগুম ওন্থোরকপসু য়ারিবনি। পূম্নমকসি থোক্তনবা লৈঙাক অসিনা হোৎনফম থোকই নৎত্রগা ফম থাদোকউ। হায় কম্মান্দদা ইম্মর্জেন্সি ওইবা তঙাইফদনা পাউ পীদুনা পার্লিয়ামেন্ট মীফমদা খন্ননবা অমসুং ৱারেপ লৌননবা অকনবা ফিরেপ লৌফম থোকই। হৌজিক্তি মীতৈ ফুরুপ মায় পাকপা/মায়থীবা খঙদনা লৈরবনি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭১

১) **''লাই হরাউবগী ৱাখল্লোন পরীং''** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

২) **''খুদোল্লে''** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) **''ৱাধরিং হাইটস''** হায়বা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অইবা অদু কনানো অমদি মণিপুরীদা কনানা ত্রান্সলেসন তৌবগে?

৪) **''লাইয়েকপা/য়েকলি লাইয়েকপা কনানা/মাগী মাগী কেনভাষ্টা/ফজ ফজবা লাইয়েক/ঐসু য়েক্কে কেনভাসসিদা/নীংতম্বা ইমাগী শক্তম/শান্তিতবু পামজবা ঐনি''** শৈরেং মতেক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী শৈরেং লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি, অইবা অসি কনানো অমসুং মহাক্কী শৈরেং লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

৫) **''অশিবা হুরানবা''** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।